## ‘শেঞ্জাও পায়বশিংদগী চাইথোরকপশিংদু ঐখোয় খুদিংনা চারি’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস): শেঞ্জাও পায়বশিংদগী চাইথোরকপশিংগী মরিক-মচুমশিং ঐখোয়না চারি হায়না হান্নগী মিনিষ্টর ডা. এম নরনা সী পি আইগী ২৬ শুবা কনফরেন্সতা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাংখৈ লোকল কাউন্সীলনা শীন্দুনা ৱাংখৈ খুনৌ সোইবম লৈকায়দা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহী লাইনিং ফুরুপ শঙলেনদা কনফরেন্স পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ডা. এম নরনা হায়খি, ঙসিগী খুন্নাই অসিদা অমগা অমগা থাজনদবা লাকপসিনা তংদু লৈতাদবা ওইরে। তাহৈদ্রবা, উহৈদ্রবা, য়েংহৈদ্রবা কয়ানা পীক থন্দুনা লৈরে। খুদিংমক অসিগী হৌরকফমদি কেপিটেলিজম অসিননি। শেঞ্জাও পায়বশিংদগী চাইথোরকপশিংগী মরিক মচুম ঐখোয় খুদিংমক চারি। শেঞ্জা-থুমজানা লাকহৎলবা লমদম ওইরে।

করপসনগী হৌরকফমদি হৌজিক্কী ওইরিবা ইলেক্টোরেল সিষ্টেম অসিননি। মশা-মশাগী তোংজবগী ঙাইহাক লৈতনা পার্টি হোংদোক হোংজিন তৌরি। ঙসিদি তাৎ ঙাক্তা ঙাইখিদুনা তাৎ হৈবা তম্লরে। ঐখোয়গী শাজৎ-লীচৎ চনৈনরে হায়খি।

থৌরম অদুদা এল অরুনকুমার মীতৈ, টি ঐচ রঞ্জন, দল্লিয়ু রাজমনি, জি তোম্বা শর্ম্মা, টি ঐচ য়াইস্কুল, ৱাই ইন্দ্রানি, এম শখি, এল সোটিনকুমার, কে ঐচ সুরচান্দসু শরুক য়াখি।

## ইম্ফাল ইষ্টকী ব্লোক ২দা ওগষ্ট ১২ দগী মীকোক থীবা হৌরগনি : দিরেক্টর

ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচএন এস) : ইন্দিয়াগী ১৬ শুবা ২০২১ দা পাঙথোক্কদবা মীকোক থীবগী চাংয়েং ওইনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্কী ব্লোক অনীদা ওগষ্ট ১২ দগী সেপ্টেম্বর ৪ ফাওবা পাঙথোক্লগনি হায়রি। আই এম সীনা কোনবা ৱার্দ নম্বর ২২ গী পোরোমপাৎনচিংবা মফম ১০ অমদি শৌউমবুং রুরেলগী মফম তরা খনগৎলে হায়রি। মফমশিং অদুদি সগোলমাং ব্লোক ১, ফক্নুং ব্লোক ২, সাজেপ ব্লোক ৩, সনজেনবম ব্লোক ২ অমদি শঙশাবী ব্লোক ২ নি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মখাদা মণিপুরদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীকোক থীবগী থবক অসিদা মীয়াম্না মতেং পাংবিয়ু হায়না দিরেক্টোরেট ওফ সেন্সস ওপরেসন মণিপুরগী দিরেক্টর এম য়াইস্কুল মৈতৈনা পাউমীশিংগা উনবা থৌরম অমদা ফোঙদোরকলি।

মীকোক থীবা হায়বসি শুপ্নগী মীশীং থীবা অদু নত্তে, য়ুম অমদা মী কয়া লৈবগে, মখোয়গী মমিং মথা, পোকপগী চহী, থা, নুমিৎ, নুপা-নুপী, মশাগী চহী, মরি-মতা, ময়ুম মকৈ পানবগী ফিভম, লাইনিং লাইচৎ, মমালোল, অতোপ্পা লোল খঙবগী মওং মতৌ, হকচাং শোয়নাইবা, সেদ্যুল কাষ্ট, সেদ্যুল ট্রাইব ওইবা ওইদবা, অঙাং পোকখিবা মশীং অমদি হিংলিবা মশীং, চহী অমগী মনুংদা পোকখিবা অঙাং মশীং, মহৈ মশীং তম্বগী থাক, ইমুং অদুদা লৈরিবা মীওইশিংনা করম্বা মখলগী থবক শুবা-শুদবা, থবক থিরিবা, মশাগী ময়ুমদা থবক শুজবা, থাপ্না চৎলগা থবক শুবদা খোঙনা, সাইকলনা, চাকা অনী নত্রগা মরী পানবা গাড়ীনা চৎপরা, গাড়ী ৱাইরগা চৎপা অমদি গাড়ী ৱাইরগা পূন্না চৎমিন্নবা, লম হোংলগা লৈরুবা নত্রগা হোংলক্লগা লৈবা, হোংলক্লিবা সিটি অমদি খুঙ্গংগী মমিং, হোংলকখিবগী মরম, হোংলক্লবা মতুং মফম অদুদা কয়াম কুইনা লৈরে অমদি লোয়ননা মীয়াম্না কদাই ফাওবা অৱাবা থেংনরি হায়বনচিংবা মরম কয়া খঙদোক্লবা হোৎনগনি হায়রি।

## লংলা-লংজিল পুথোকউ হায়না...

*লামায় ১গী মখা...* মীশিগী মতাংদা চপ চানা থিগৎহনবীয়ু। সী বি আইদা শিন্নরে হায়না লাউথোকপীয়ু। মীশি অসিগী মতাংদা লংলা-লংজিল পুথোকউ হায়না লাউবা কয়া পুলিসনা ফাবা হৌরে। মীশি অসিগী মতাংদা থম্মোয় শোকপদগী ঈরাং হৌরক্লিবনি। লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবা ৱাৎপদগী ঈরাং কয়া অসি হৌদুনা লাক্লিবনি। বেবিসনা মীশি অসি মথন্তা সুইসাইদ তৌবা মানবা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকপসু থেংনরে।

থৌরী য়াল্লগা মতৌ করম্বা মশাদা দাগফম কয়া তারিবনো। সুইসাইদনি হায়না তাহন্নবা হোৎনরিব্রা, সোসল মীদিয়াদসু নুপী অমনা বেবিসনা মীশিগী মতাংদা থাগৎলকপা কয়া অমসু লৈখি। থৌওং অদুসু সুইসাইদ মালহন্নবা মওংদা ৱাফম কয়া থল্লকখিবনি। বেবিসনা মীশিগা মরী লৈননা হৌজিক কনা ফারবগে। ষ্টেন্দর্দ রোবার্থকী মীওই খরা ফারিবা অদুদি স্কুল অসিগী বোর্দিংগী চৎন-কাঙলোন কাই হায়বগী মতাংদা ফাবা মাল্লি।

লৈঙাক্লা বেবিসনা মীশিগী মতাংদা লংলা-লংজিল পুথোক্লবা নীংথিনা মীৎয়েং চঙবীয়ু। ইচামক্লি খনবীয়ু। মহৈরোয় লূপ কয়ানসু হৌজিক বেবিসনা মীশিগী মতাংদা খোল্লাউ কয়া লাউরক্লিবনি। মীশি অসি সী বি আইদা শিন্নবা করি কায়বগে। বেবিসনা মীশি থিগৎহন্নবা সী বি আইদা শিন্নবীয়ু। জে এ সীগী মরক্তা খৎনহল্লগা মীশি অসি নাথৈরগা চৎনবা শিনবা য়ারোই। হৌজিক মীশি অসিগী মতাংদা লংলা-লংজিল পুথোকউ হায়না লাউবা কয়া পুলিসনা ফাবা হৌরে। নুমীৎ খুদিংগী মীওই ফাদুনা লৈরবদি করি ফীভম লাক্কদৌরিবনো। মীয়ামগী খোল্লাউ তাবীয়ু হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

## চীফ মিনিষ্টর য়াওনা অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি...

*লামায় ১গী মখা...* জর্নেলিষ্ট ফাঞ্জৌবম সন্তোশনা ওগষ্ট ৯দা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবা অসিনা ষ্টেট অসিগী য়াম্না এক্সপরিয়েন্স লৈরবা অমদি পূক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইরবা মতীক চাবা ফোটো জর্নেলিষ্ট অমা মাঙজরগনি। কুমজা ১৯৮০গী অঙনবা শরুক্তগী ফ্রীলান্স ফোটো জর্নেলিষ্ট ওইনা হৌরকখিবা ফাঞ্জৌবম সন্তোশনা লোকল, নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনল ন্যুজপেপরশিং, মেগজিনশিং অমদি ন্যুজ এজেন্সি কয়াদা ফোটোগ্রাফ কয়া কন্ত্রিব্যুট তৌদুনা লাকখিবনি। চহী ৪০ রোমগী কেরিয়রদা সন্তোশনা মমিং লৈরবা মীদিয়া হাউসশিং হায়বদি রোইটর্স, প্রেস ট্রষ্ট ওফ ইন্দিয়া অমসুং নোর্থ ইষ্ট সনগী থবক তৌরমখি। লৈখিদ্রবা সন্তোশকী ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়াজরি। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না তাইবং শেম্বা মপূগী মফমদা ঈংনা-চিক্না লৈরুনবসু থৌনীজরি হায়না চীফ মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, ফাঞ্জৌবম সন্তোশনা লৈখিদবদা খেলেন থোকচোম ট্রষ্টনসু অৱাবা ফোঙদোরক্লি। ট্রষ্ট অসিগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা অৱাবা ফোঙবগী চেরোল অমনা হায়, লৈখিদ্রবা ফাঞ্জৌবম সন্তোশ অৱাং-নোংপোক ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা ফোটো জর্নেলিষ্ট অমনি। মণিপুরগী পুৱারীগা মরী লৈনবা মরুওইবা ফোটো কয়াসু মহাক্লা কাপ্পমখিবনি। মহাক্কী শীংথানিংঙাই ওইনা তৌখিবা থবকশিংবু ইকাই খুম্নবা উৎলদুনা কুমজা ২০০৫ দা এন ঈ টি ভিনা সন্তোশতা লাইফটাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ ইন ফোটো জর্নেলিজম পীখিবনি। মহাক্লা লৈখিদবদা ফোটো জর্নেলিজমগী চেম্পিয়ন অমা মাঙজখ্রে। লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপূগী মফমদা ঈংনা-চিক্না লৈবা ওইরসনু হায়না চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

অমরোমদা, ওল জিরিবাম ৱর্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ননসু ফোটো জর্নেলিষ্ট ফাঞ্জৌবম সন্তোশনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারক্লি। লৈখিদ্রবা ফাঞ্জৌবম সন্তোশনা জিরিবাম য়াওনা মফম কয়াদা মহাক্কী ফোটো এগজিবিসনশিং পাঙথোক্তুনা ফোটো জর্নেলিজমগী লম্দা অচৌবা ঈনোৎ অমা পীবীরম্মী। মহাক্লা লৈখিদবদা ফোটো জর্নেলিজমগী লম্দা মেনখৎপা ঙল্লরোইদবা অচৌবা অৱাৎপা অমা লৈহৌরগনি। লৈখিদ্রবা ফাঞ্জৌবম সন্তোশকী থৱায়না মপূগী মফমদা ঈংনা-চিক্না লৈরুনবসু ওল জিরিবাম ৱর্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ননা থৌনীজরি হায়রক্লি।

অমরোমদা, মণিপুর হিলস জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী মেম্বরশিংনসু ফোটো জর্নেলিষ্ট ফাঞ্জৌবম সন্তোশ লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারক্লি।

## বেবিসনা মীশি : পুলিসকী এক্সনদা মহৈরোয় ২৫ রোম...

*লামায় ১গী মখা...* দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট য়াওনা মহৈরোয়শিং অদুবু স্কুলগী কেম্পসতা চঙননবা হায়বদা মহৈরোয়শিংনা য়াখিদে। অদুবু পুলিসনা মহৈরোয়শিং অদু স্মোক বোমনচিংবা পোকখায়হন্দুনা স্কুলগী কেম্পসতা হোইজিনখি। মহৈরোয়শিং অদুগা মুক্নবদা পুলিসকী মায়কৈদগী লংখিবা স্মোক বোম অমা মহৈরোয়শিংনা খুল্লগা অমুক পুলিস তম্না লংথোরকখি। মহৈরোয়শিংনা স্কুলগী গেট হাংদোক্তুনা অমুক হন্না থোরক্লবা হোৎনবদা পুলিসনা টিয়র গ্যাস সেল কাপ্তুনা মহৈরোয়শিং অদু স্কুলগী কেম্পসকী ৱাংমদা থোকহনখিদে। মদুদা মহৈরোয় নুপীমচা অমা শোকখি।

সী সী হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোয়শিং অমদি অনন্দ সিংহ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা অয়ূক পুং ১১ খরা হেল্লকপদা রেল্লি চৎনবা হোৎনরকপদা সী সী হায়র সেকেন্দরি স্কুল মপাদা পুলিসকা মুক্নখি। মহৈরোয়শিং অদুবু লাকশিন্ননবা হোৎনবদা পুলিসনা টিয়র গ্যাস সেল অমদি স্মোক বোম কয়াসু পোকখায়হনখি। মহৈরোয়শিংনসু পুলিসকী মায়কৈ তম্না নুঙ থারকপদগী সঞ্জেন্থোং অমদি কোনুং মমাং ফাওবগী লম্বী মতম খরগী ওইনা থিংদুনা থমখি। তুংদা পুলিসনা সী সী হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী কেম্পসতা টিয়র গ্যাস সেল অহুম কাপশিনখি। মদুদা মহৈরোয় ৮ লোম শোক্তুনা জে নিমসতা পুখৎলগা লায়েংখি। অশোকপশিংগী মনুংদা অনন্দ সিংহ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোয় নুপীমচা অমা য়েৎ থংবা খোঙগী খূনিং ময়াদা টিয়র গ্যাস সেলনা পানবদগী শরূ য়াওনা ফীভম থীনা শোকখি।

ইম্ফাল কোলেজগী মহৈরোয়শিংনসু নুমীৎয়ুংবা মতুং পুংখায়রোম তারকপা মতমদা কৈশাম্পাৎ তম্না রেল্লি চৎনবা হোৎনরকখি। মদুদা মহৈরোয়শিং অমদি পুলিসকা কোলেজ অসিগী গেট ময়াদা অকনবা মওংদা মুক্নখি। মদুদগী মহৈরোয়শিং অদু পুলিসনা টিয়র গ্যাস সেল কাপ্তুনা তানখায়খি। লোয়ননা কোলেজগী কেম্পস মনুংদা তানশিনখি। তুংদা পুলিসনা কোলেজ অসিগী কেম্পস মনুংদসু টিয়র গ্যাস সেল কয়া কাপশিনখি।

অমরোমদা, ক্বাকৈথেল থৌনাওজম লৈকায়দা লৈবা এম এস এফকী ওফিসতসু পুলিসনা টিয়র গ্যাস সেল কয়া কাপশিল্লকপদগী এম এস এফকী থৌমী অহুম অশোক-অপন নংখি হায়রি।

মোদেল হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমসুং ইবোতোনসনা হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোয়শিংনসু নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তারকপা মতমদা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল তম্না লাক্লগা প্রোটেষ্ট তৌরকখি। পুলিসনসু মহৈরোয়শিং অদুবু শামু মখোঙ মপাদগী হনখিনবা হায়বদা য়াদবদগী পুলিসকা মুক্নখি। মদুদগী পুলিসনা টিয়র গ্যাস সেল অমদি স্মোক বোমশিং লংশিন্দুনা মহৈরোয়শিং অদু তানখায়খি। থৌওং অদুদগী কৈথেল ফম্বীশিংসু থোরক্তুনা মহৈরোয়শিংগী মতেং পাংখি। থৌদোক অদুদা মহৈরোয় ১৭ রোম শোক্তুনা রিমস অমসুং রাজ মেদিসিটিদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি।

চৈরকসিদা, থাংমৈবন্দ জে এ সীগী মীওই ১২ পুলিসনা ফাজিনখ্রবা তুংদা ঙসিসু অমুক জে এ সী অমদি থাংমৈবন্দ য়ুনাইটেদ ক্লবকী মেম্বর য়াওনা মীওই ২০ লোম্নসু ফাজিনবীরো হায়না পুলিস তম্না চঙশিনখি। মীওইশিং অদু মফম অদু থাদোক্তুনা চৎখিনবা পুলিসনা ৱার্নিং তৌরবসু লেংদনা লৈখি। খোঙজং চঙশিনখিবা অদুদা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা লোক সভা মীখলদা মীরেপ ওইখিবা এক্তর কাইকু অমদি এক্তর গোকুলনচিংবসু য়াওখি। অদুবু পুলিসনা মীওইশিং অদু ফাখিদে।

অমরোমদা, বেবিসনা মীশিগী মতাংদা শেমখিবা জে এ সিনা মীশি অসিগী অচুম্বা পুথোকত্রিফাওবা খোঙজঙ হন্দোক্লোই। লৈঙাক্লা অচুম্বা পুথোক্লবা হোৎনবগী মহুত্তা অতোপ্পা মায়কৈরোমদা নাথৈনবা হোৎনবা মানবা অমদি হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভমশিং অসিনা মরম ওইরগা জে এসিগী খোঙজং হেন্না কনশিল্লগনি হায়না জে এ সিগী কো-কনভিনর টি ঐচ বিনানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চরোল অদুনা হায়, হৌবদগী হৌনা জে এ সিনা য়াম্না ইংনা লৈবাক মীয়ামদা শোক্লেইদবা মওংদা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাকপনি। লৈঙাক অমদি পুলিসকী মকোক থোংবা মীওই কয়াগা তোয়না উনদুনা মখোয়না পীরকপা এসুরেন্সশিংদা থাজবা থমদুনা লাকখিবনি। এস আই টিনা চথরিবা ইনভেষ্টিগেসন অসিদা জে এ সিনা খল্লুবগী ওন্না-তৈনবদা বেবিসনা মশা মতোমতা থৌরী য়ান্দুনা শিজবনি হায়না ফোঙদোরকপা অসিদা খোইশাউনরবা মীয়াম্না থাংমৈবন্দ অমদি মণিপুর বন্দ কৌখিবনি।

জে এ সিগী পান্দমদি অচুম্বা অদু লৈবাক মীয়ামদা খঙহনবনি। ঙসিফাওবা চথরক্লিবা ইনভেষ্টিগেসন অসিদা জে এ সিনা য়ানিংদ্রি। স্কুল নৎত্রগা বোর্দিংগী মরী লৈনবা মীওই খরা ফাখ্রবসু ঙসিফাওবদা মখোয়গী ষ্টেটমেন্ট অমত্তসু মীয়ামদা খঙহনবা লৈত্রি। মদুগী মহুত্তা বোর্দিং চল্লাইবা অমদি স্কুল চল্লাইবা লাল্লি লান্দে হায়বরোমদা নাথৈননা চৎপগুম তৌরি।

থৌওংশিং অসিনা, বেবিসনা মশা মথন্তা শিজবা ওইরল্লোই হায়না খন্নরিবা মীয়ামদদি ওন্ন-তৈনবা ৱাখল ফাওহল্লি। জে এ সিদি মীয়ামগীনি। মীয়াম্না চিংনবা কোক্লবা অমদি মখা তানা অসিগুন্বা মীশি অসি থোরক্তুনবা হোৎনবা হায়বসিনা জে এ সিগী পান্দম্নি। জে এ সিগী লুচিংবশিংবু ফাখিবা অসিনা খোঙজং অসি হেন্না কনশিল্লক্লবগী মচাক্লী। জে এ সিদা নত্তনা থাংমৈবন্দগী মীয়াম অমদি মণিপুর মীয়াম পুম্বনা মখোয়বুসু ফাবীয়ু হায়বগী খোঙজং চঙশিল্লকখিগনি।

লৈঙাক্লা চথরিবা ইনভেষ্টিগেসন অসিসু তপমল্লি। য়ারিবমখৈ থুনা থিজিনবিদুনা অচুম্বদু মীয়ামদা খঙহনবিয়ু। বেবিসনা মীশিদা চেন্নবা মীওই পুথোকপিয়ু। ইমুং-মনুংদা চিংনবা লৈরবসু চুম্না থিজিনবিয়ু। মীহাৎপা পুথোক্লবা হোৎনবদা জে এ সিনা অঙম্বা মতেং পাংবগা লোয়ননা জে এ সিগী খোঙজং হনবা লৈতনা চৎখিগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

অমরোমদা, বেবিসনা মীশি অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা অচুম্বা লংলা-লংজিল পুথোকপীয়ু হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা দি এল সী অমসুং লংথবাল কুঞ্জা ময়াই লৈকাইগী মৈরা পায়বীশিংনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

নাকল অমরোমদা, ষ্টেন্দর রোবার্থ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল ফৈরোইজম লন্ধোনিগী মপুরোইবা ফৈরোইজম ইবোহলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, নিংথৌজম বেবিসনা চনু লৈখিদবগী থৌদোক অসি ঙসিগা থারগা নুমীৎ ২৩নি শুরকপদা থৌদোক অসিগী লংলা-লংজিল পুথোক্লবা অকনবা খোঙজং লৈবাক মীয়াম্না চঙশিনবীদুনা অচুম্বা-অশেংবা ফংনবা হোৎনবীরি। হৌখিবা ওগষ্ট ৯দা মণিপুর পুলিসকী মায়কৈদগী থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মীয়াম্না খঙনিংবা ৱাফম খরা তাবা ফংজরে। মখা তাবা ৱাহং-পাউহংগীদমক স্কুল ওথোরিটি অমদি ইমুং-মনুংগী মায়কৈদগী মপূং ফানা কোওপরেট তৌজগনি। মমাংদগীসু কোওপরেট তৌদুনা লাকচরি। হৌজিক-হৌজি কমক স্কুল অসিগী মায়কৈদগী পূন্না মীওই ৫ জুদিসল কষ্টদিদা লৈরি। লাইবক থীবদি সোসল মীদিয়াগী খূথাংদা তোকঙা কয়া শন্দোরকপনা মীয়ামদা শেরান্নবা খলহনবা অসিমক নুংঙাইজদে অমদি ইমুং-মনুংদা অৱাবা কয়া পোকহল্লে। মতুং তারকপদা অচুম্বা ৱায়েল ফংনবা হোৎনবদা পূম্নমক্কী মতেং নিজরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

## সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাল্লিবা...

*লামায় ১গী মখা...* য়াদ্রিবসিগী মচাক ফংবা ঙমদবনা খুদোংচাদবা মায়োক্লবনি। কুমজা ২০১৫ গী জুলাইদা মণিপুর লৈঙাক্লা মুদাদা শিন্নবীদুনা কুমজা ২০১৫ গী দিসেম্বরদগী চলাইবা হৌখি। অদুবু মতম খরা য়ারল্লগা অমুক য়াখিদবনি। অমুক হন্না শেমজিল্লবসু খঙহৌদনা অমুক হেক্তা য়ারক্তবগী ফীভমদা লৈরে। মমাঙ চহীগী সঙাই ফেষ্টিভেল নংনবা শেমদুনা অমুক য়ারুরবনি। অদুবু ৱর্ল্ড বেম্বু ফেষ্টিভেলদা অমুক য়ারক্রে। গুৱাহাতিদগী অখঙ-অহৈ লাক্তুনা শেম্বা য়াবা শেল্লে। ঐখোয়না খঙহৌদবা অমনা ইস্কেলেটর অসিদি থারিবমখৈ মপাঙ্গল কনবা পোৎ ওইরল্লে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

য়ারক্তবা মতমদা কম্পেনিগী মীওইশিং কোলকাটা, মুম্বাই, অহম্মেদবাদতগী মণিপুরদা কৌবদা শেল য়াম্না চঙই। সিটি কনভেন্সনদগী লাকপা ইনকমদুনা মেন্টিনেন্স তৌ হায়বনি। অদুবু সিটি কনভেন্সন সেন্টরদি মীয়াম্না তোয়না ৱাইবা হোল ওইদবা মরম্না রেভিন্যু কারক্তে। ফঙ্কসন তৌদ্রবনিনা এস্কেলেটরসিসু থাদ্রবনিনা শীজিন্নদবদগী অমাঙবা হায়বদুসু ওইরে।

অদুবু ঙাইহাক লৈতনা য়ারক্লগা শেম্বগী মী কৌথোক-কৌশিনদা শেলসু চঙবা মরম্না ওমেগা কম্পেনিগা এন্যুয়েল মেন্টিনেন্সকী মতাংদা এগ্রিমেন্ট অমা থা অহুমগী মনুংদা খুৎয়েক পীনখ্রে। মসিগী মতুং অহম্মেদবাদ হেদ ওফিসতগী মী লাক্তুনা য়েংশিনখ্রে। মসিদা পার্ট অমা শিন্দবা য়াদবদগী ইন্দিয়াদসু লৈতে, শাদে হায়বদগী চাইনাদগী চেল্লে। চেনবদা মতম খরা চঙলুরবসু হৌজিক্তি থুংলরে। অদুনা এস্কেলেটর য়াদবগী অৱাবা লৈররোই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

য়াল্লবদা নুমীৎ ১৫ নিগী মনুংদদি লোয়রগনি হায়না পান্নরি হায়না পল্লদুনা মহাক্লা হায়কি, ওমেগা কম্পেনিগী মীওইশিংনা হায়বদা নোংমদা পুং ১ নৎত্রগা ২ দি থাগদবনি হায়বসি খঙলবনিনা এস্কেলেটর মেন্টিনেন্স তৌবদা লায়না থোক্লগনি। সিটি কনভেন্সনদা লৈরিবা লিফ্ট অনীসু লোয়না য়ারে। লিফ্ট য়ারক্তবা মতমদদি করিসু অৱাবা লৈতে মরমদি মণিপুরদা লিফ্টকী সিষ্টেম খঙবা মীওই লৈবা মরম্না ইম্ফালদসু শেম্বা ঙল্লে। গুৱাহাতিদগী লাক্লগাসু ফজনা শেম্বা ঙল্লে। এস্কেলেটরগী ওইনদি খরা তাঙনা থোক্লি।

সিটি কনভেন্সনগী এস্কেলেটর তোয়না য়াদবগী মতাংদা নুংঙাইতবা ফাওই হায়না পল্লদুনা মহাক্লা হায়খি, সিটি কনভেন্সন অসি মুদাদা শিন্নরকপা মতমদা লৈঙাক্লা তৌগদবা অমদি তৌরোইদবশিং খঙহল্লকই। মসিগী মনুংদা এন্টরটেন্টমেন্ট অমসুং কম্মর্সিয়েলগী থৌরমদি য়াদবনা তৌহন্দে। হোলসিদা রেভিন্যু কাদ্রিবসিসু মরুওইনা ঈশৈ-নোংমাই, লীলা, দ্রামা, ফিল্ম উৎপা য়াদবসিননি। অদুবু হোলসি ৱাইবদা গভর্ণমেন্ট, প্রাইভেট অমদি পব্লিক হায়বগী খেন্নবা থমদে। হোলগী চাজ ‘সু খেন্নবা লৈতে চপ মান্নবা মমলদনি।

সিটি কনভেন্সনগী হোলদা লৈরিবসি মেন ওদিটোরিয়মদা মীওই ৭০০ কী কেপাসিটিনি। মসিগী মথক্তা লৈরিবা মিনি কনফরেন্স হোল মীওই ৪০ গী কেপাসিটিনি। ওদিও ভিজুয়েলগী হোল য়াওরি মসি মীওই ৭২ গী কেপাসিটিনি। মল্টিপর্পজ হোল অনী য়াওরি। অমনা গ্রাউন্দ ফ্লোরদনি অমসুং অতোপ্পা অমনা ফর্ষ্ট ফ্লোরদা লৈরি। গ্রাউন্দ ফ্লোরদা লৈরিবসি আর্ট এগজিবিসনগুম্বদা শীজিন্নবা য়াই। আর্ট গেলরি অমসু লৈরিবনি। মসিদা নত্তনা গ্রাউন্দ ফ্লোরদা মী ১৫ চনবা ভি আই পি কনফরেন্স হোল অমসু লৈরি। হায়রিবশিং অসিগী কিচন রুম য়াওরিবনি। সিটি কনভেন্সনগী নোংচুপতা লৈরিবা পার্কিং এরিয়াদা গাড়ী ১৫০ খাম্বা হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

## রেখা মীহাৎ : জে এ সীনা লূপ...

*লামায় ১গী মখা...* কম্মিটি শেম্বদা শরুক য়াখিবা ক্লব/এসোসিএসনশিংগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াগদবা মীফম অমা পাঙথোক্কদৌরি।

জে এ সীগী কনভিনর নামৈরাকপম মাইকেলনা থোরকখিবা চেরোল অমনা হায়বদা মীহুৎ পূম্নমক্লা শরুক য়াগদবা মীয়ামগী মীফম অসি হয়েং নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তারকপদগী শীংজমৈ মথক থোকচোম লৈকাইদা লৈবা য়ুঠ ৱেলফেয়র ওর্গনাইজেসন (ৱাই দব্লিয়ু ও)গী ওফিসতা পাঙথোক্কনি হায়রি।

কনভিনরগী চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা থোকচোম রেখাবু মীহাৎ থিনা হাৎতোকপীরম্বা থৌদোক্কী মতাংদা অচুম্বা লংলা-লংজিল ফংহন্দনবা থৌওং খরা লৈঙাক্লা চথবা মানবগী মমি চাওনা তারকপদগী থৌওং অসিবু থিংহৌনবগীদমক তঙাইফদনা হয়েংগী অপূনবা মীফম অসি পাঙথোক্কদৌরিবনি হায়রি। হয়েংগী মীফম অসিদা জে এ সীনা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগী মীহুৎশিংগা পূন্না ফম্মিন্নদুনা খন্নরবা মতুংদা তমথীরবা মীহাৎ অসিগী মায়োক্তা অকনবা খোঙজংশিং চঙশিনমিন্নবা ৱারেপশিং লৌগনি হায়রি।

## মণিপুর হায় কোর্টনা উরুপ প্রাইমারি...

*লামায় ১গী মখা...* কে কে এম এম দি ওনা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন অদুগী নম্বর- রিট পিটিসন (সিভিল)- ৬২৪ ওফ ২০১৯নি। ওর্গনাইজেসন অসিগী প্রসিদেন্ট মোহম্মদ ইস্লামউদ্দিন খান (এম আই খান), ৫৫ অপোকপা লৈখিদ্রবা এম দি জমালউদ্দিন, কৈরাও মক্তিং মখা লৈকাইদা লৈবনা পিটিস্নর ওইবনি। কেস অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংদা মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মিস্নর, এদ্যুকেসন (স্কুলস) অমসুং অতৈ মরী লৈনবা ওফিসলশিং য়াওরিবনি।

পিটিস্নরনা কোর্টতা মখা তানা ৱাকৎলিবনা উরুপ প্রাইমারি মাদ্রাসা অসি ঈরিল তুরেল ৱাংমগী ঈরুম্বী চীংগী চীংখোঙদা লৈবনি। হায়রিবা মাদ্রাসা অসি উরুপ হায় স্কুলদা পুনশিনবা তারগদি মাদ্রাসা অসিদা তল্লিবা পীক্লিবা মহৈরোয়শিং ঈরিল তুরেল মথক্তা শারিবা সস্পেন্সন ব্রিজ লানবগী মথৌ তারগনি। অদুবু হায়রিবা সস্পেন্সন ব্রিজ অসিদি হৌখিবা কুমজা ১৯৭৬ তা শাখিবা ওইবনা ফীভম য়াম্না ফৎত্রে। থোংগী ফীভম ফৎতবনা এক্সিদেন্ট কয়াসু থোকখ্রে। থোং অসি কৈরাওগী মীয়াম্না হৌখিবা চহী ২৫গী মমাংদগী আর সী সী ব্রিজ ওইনা শাবীনবা তক্নদুনা লাকখিবনি। অদুসু ঙসি ফাওবা থবক ওইনা ওন্থোকপীরক্তবনা করিগুম্বা মাদ্রাসা অসি অতোপ্পা স্কুলদা পুনশিনখ্রবদি মহৈরোয়শিংনা নুংতিগী থোং অসি লানবদা শোয়দনা খূদোংথীবা মায়োক্লগনি হায়রি। কেস অসিদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা এদভোকেট অঞ্জন সাহুনা লেপখি।

## তোমচৌ : ইমুং...

*লামায় ১গী মখা...* য়ুম থাদোক্তুনা চৎচখিবনি। বেবিসনা মমা অতোনবীনা য়োকচরবসু য়াম্না নুংশিনা লৈমিন্নবনি। ইমুং-মনুংগী মরক্তা নুংশিনদবা করিসু লৈতে। ইমুং-মনুংগী ইচিল-ইনাওশিং য়াম্না নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নৈ। প্রিন্টিং প্রেস অমা অমদি ফার্মদগী লাকপা শেলনা ইচিল-ইনাও অহুমগী ইমুং-মনুং পুনদুনা চপ মান্নবা মীৎয়েংগা লোয়ননা অঙাংশিং অসি লোয়নদুনা লাকপনি। ইমুং-মনুংগী মরক্তা নুংশি-চান্ননা, ঈংনা চিক্না লৈজরিবা অসিদা ব্রোকন ফেমিলি মালহন্নবা ৱাফম কয়া থল্লকপা থেংনরে। মসি য়াম্ন লাইবক থীবনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

বেবিসনাগী মমা মেম্মানা ফোঙদোকখিবদা, ইচা লৈতবগী মৈশা খাংলিঙৈদা ইমুং-মনুংগী নুংঙাইতবা মানবা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকপা থেংনবসি য়াম্না নুংঙাইতে। বেবিসনানা বোর্দিংদা লৈরিঙৈ মনুংদা কমপ্লেন অমত্তা লৈখিদে। মশা নাবা ফাওবা লৈতে। বেবিসনাবু নুংশিনা লোয়নজদুনা লাকপনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

বেবিসনাগী অপোকপা তোমচৌগী ময়াম্বনা ফোঙদোরকপদা, ইচিল-ইনাও অহুম অমদি ইমুং-মনুং খৎন-চৈনবা অমত্তা য়াওদনা য়াম্না নুংশি-চান্ননা লৈবনি। ব্রোকন ফেমিলি মালহন্নবা ৱাফম ফোঙদোরকপা থেংনবা অসি লাইবক থীবনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

## GAS NEWS

**GBD, LAMLONG**
Booking Upto : 22/07/2019
Valid From : 28/06/2019
***Stk : 612 (CTC only)***
Timing: 07.00 am to 10.30 am

**HRANGCHAL GAS AGENCY, OLD LAMBULANE**
**Booking Uptodate**
***Stk : 306***
**19kg Stk. Available**
(First Come First Serve)

**HARAN VALLEY, KWAKTA**
Booking Upto: 08/07/2019
Valid From: 29/06/2019
**Stk : 306**
Timing: 07.30 am to 10.30 am

**SANTHEL BAZAR INDANE, GRAMIN VITRAK**
Booking Upto: 31/07/2019
Valid From: 24/07/2019
**Stk : 306**
Timing: 07.00 am to 10.00 am

**LEIBAKLEI GAS, KAKCHING**
Booking Upto: 06/08/2019
Valid From: 23/07/2019
**Stk : 612**
Timing: 07.30 am to 10.30 am

**MAIBIA GAS, MOIRANG**
**Sl. No.: 1201 - 2160**
Booking Upto: 18/07/2019
Valid From: 16/07/2019
**Stk : 306**
Timing: 07.00 am to 11.00 am

**EREICHA INDANE GRAMIN VITRAK LILONG**
Booking Upto: 21/07/2019
Valid From: 01/07/2019
**Stk : 612**
Timing: 07.00 am to 10.00 am
Home Delivery Service Available
(First Come First Serve)

**M/S BASHIKHONG INDANE**
**Sl. No. Upto 46161**
Booking Upto: 08/07/2019
Valid From: 29/06/2019
**Stk : 306**
Timing: 07.00 am to 10.00 am
(First Come First Serve)

**KHUMBONG INDANE**
Booking Upto: 16/07/2019
Valid From: 15/07/2019
**Stk : 612**
Timing: 07.30 am to 10.30 am


### রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া
**www.rbi.org.in**

**আর বি আই/আর বি আইগী দিপার্টমেন্ট অমনা রেগ্যুলেট তৌবা এন্টিটিশিংগী মায়োক্তা লাকপা ৱাকৎশিং য়েংশিন্নবগীদমক**

রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (আর বি আই)না লৈবাক শিন-থুংনা লৈরিবা মখোয়গী ওফিসশিংদা পেন্দবা ৱাকৎশিং য়েংশিন্নবা তোঙান-তোঙানবা ফোরম কয়া লিংলে।

আর বি আইনা রেগ্যুলেট তৌবা এন্টিটিশিং হায়বদি কম্মর্সিয়েল বেঙ্কশিং, রিজনেল রুরেল বেঙ্কশিং, কো-ওপরেটিভ বেঙ্কশিং নৎত্রগা নন-বেঙ্কিং ফাইনান্সিয়েল কম্পেনিশিং, (আর বি আই এক্ট, ১৯৩৪গী সেক্সন ৪৫-১এগী মখাদা আর বি আইদা রেজিষ্টর তৌবা) আর বি আইনা রেগ্যুলেট তৌবা নন-বেঙ্ক এন্টিটিশিংগী খুথাংদা কন্দক তৌবা দিজিটেল ট্রানজেক্সনশিং, (পেমেন্ট এন্দ সেট্লমেন্ট সিষ্টেমস এক্ট, ২০০৭গী মখাদা) দিপোজিৎ ইন্সুরেন্স এন্দ ক্রেদিট গরান্টি কোর্পোরেসন (দি আই সী জি সী) নৎত্রগা আর বি আইগী দিপার্টমেন্ট অমা হেক্তগী মায়োক্তা মীওই অমনা পেন্দবা লৈরবদি পেন্দ্রিবা নুপা নৎত্রগা নুপী অদুনা মহাক্কী ৱাকৎ ওনলাইন্দা **কমপ্লেন্ট মেনেজমেন্ট সিষ্টেম (সী এম এস)কী** খুথাংদা মপুং ফাবা অকুপ্পশিং/অশেংবা অচুম্বা মরমশিং অমসুং ৱাকৎ অদুবু শৌগৎপা দোক্যুমেন্টশিংগা লোয়ননা **https://www.rbi.org.in>>Lodge a Complaint**দা ফাইল তৌবা য়াগনি।

মথক্তা পল্লিবা অসিগুম্না পেন্দবা লৈবা অদুগা ওনলাইন্দা এপ্লাই তৌবা ঙমদবা মীওইশিংনা মখোয়গী ৱাকৎশিং অদু মরী লৈনবা ফোরমগীদমক্তা মখাদা পীরিবা এদ্রেসতা পোষ্ট/হেন্দ দিলিভরি/ঈ-মেলগী খুথাংদা সম্মিট তৌবসু য়াগনি :

১. **কঞ্জ্যুমর এদ্যুকেসন এন্দ প্রোটেক্সন সেলস (সী ঈ পি সী)**
(আর বি আইগী ওম্বুসমেন স্কিমশিংনা কোন্দবা ৱাকৎশিং য়েংশিন্নবগীদমক)
ওফিসরগী মিং অমসুং দেজিগনেসন : **তেজাদিপ্তা বেহেরা, মেনেজর**
এদ্রেস : **সী ঈ পি সেল, রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, ইম্ফাল**
**লিলাশিং খোংনাংখোং,**
**ওপোজিট মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি,**
**ইম্ফাল, মণিপুর - ৭৯৫০০১**
টেলিফোন নং. : ০৩৮৫-২৪১১৮১৯/২৪১১৫৩১
ঈ-মেল আই দি : **cms.cepcimphal@rbi.org.in**
ওফিস মতম : **অয়ুক পুং ৯.৩০ দগী নুংথিল পুং ৫.১৫ ফাওবা**

২. **বেঙ্কিং ওমবুদসমেন স্কিম, ২০০৬ (বি ও স্কিম) ২০০৬**
(বি ও স্কিমগী ক্লোজ ৮দা য়াওরিবা গ্রাউন্দশিংগী মখাদা বেঙ্কশিংগী মায়োক্তা লাকপা ৱাকৎশিং য়েংশিন্নবগীদমক)
**ওফিস ওফ দ বেঙ্কিং ওমবুদসমেন (গুৱাহাতি, নোর্থইষ্ট ষ্টেটস)**
সী/ও ওফিস ওফ বেঙ্কিং ওমবুদসমেন
এদ্রেস : **রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, গুৱাহাটি**
**ষ্টেসন রোদ, পান বজার, গুৱাহাটি - ৭৮১ ০০১**
টেলিফোন নং. : ০৩৬১-২৫৪২৫৫৬/২৫৪০৪৪৫ ফেক্স নং. : ২৫৪০৪৪৫
ঈ-মেল আই দি : **cms.boguwahati@rbi.org.in**
ওফিস মতম : **অয়ূক পুং ৯.৩০ দগী নুংথিল পুং ৫.১৫ ফাওবা**

৩. **ওমবুদসমেন স্কিম ফোর নন-বেঙ্কিং ফাইনান্সিয়েল কম্পেনিজ (এন বি এফ সি-ও স্কিম), ২০১৮**
(এন বি এফ সী-ও স্কিমগী ক্লোজ ৮গী মখাদা পল্লিবা মরমশিং অমসুং এন বি এফ সী-ও স্কিম্না কোনবা এন বি এফ সীশিংগী মায়োক্তা লাকপা ৱাকৎশিং য়েংশিন্নবগীদমক)
**দ এন বি এফ সী ওমবুদসমেন (কোলকটা, ইষ্ট জোন)**
সী/ও রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া
এদ্রেস : **রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, কোলকটা**
**১৫, নেটাজি সুভাস রোদ**
**কোলকটা - ৭০০ ০০১**
টেলিফোন নং. : ০৩৩-২২৩০৪৯৮২ ফেক্স নং. : ২২৩০৫৮৯৯
ঈ-মেল আই দি : **cms.nbfcokolkata@rbi.org.in**
ওফিস মতম : **অয়ূক পুং ৯:৩০ দগী নুংথিল পুং ৫.৩০ ফাওবা**

*খঙজিনগদবা : ইষ্ট জোনগী এন বি এফ সী ওমবুদসমেনগী জুরিসদিক্সনদা ৱেষ্ট বেঙ্গল, সিক্কিম, ওরিষা, অসাম, অরুনাচল প্রদেশ, মণিপুর, মেঘালয়া, মিজোরাম, নাগালেন্দ, ত্রিপুরা, বিহার অমসুং ঝরখন্দ কোনশিল্লি।*

৪. **ওমবুদসমেন স্কিম ফোর দিজিটেল ট্রান্সঞ্জেক্সন্স (ও এস দি টি, ২০১৯)**
(ও এস দি টিগী ক্লোস ৮ দা পল্লিবা মরমশিংগী মখাদা পেমেন্ট এন্দ সেট্লমেন্ট সিষ্টেমস এক্ট, ২০০৭গী মখাদা দিফাইন তৌরিবা সিষ্টেম পার্টিসিপেন্টশিংগী মায়োক্তা থাংগৎপা ৱাকৎশিং য়েংশিন্নবগীদমক)
**ওমবুদসমেন ফোর দিজিটেল ট্রানঞ্জেক্সন্স (গুৱাহাতি, নোর্থইষ্ট ষ্টেটস)**
সী/ও ওফিস ওফ বেঙ্কিং ওম্বুদসমেন
এদ্রেস : **রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়, গুৱাহাতি**
**ষ্টেসন রোদ, পান বাজার, গুৱাহাতি - ৭৮১ ০০১**
টেলিফোন নং : ০৩৬১-২৫৪২৫৫৬/২৫৪০৪৪৫ ফেক্স নং : ২৫৪০৪৪৫
ঈ-মেল আই দি : **cms.odtguwahati@rbi.org.in**

৫. **দিপোজিট ইন্সুরেন্স এন্দ ক্রেদিট গরেন্টি কোর্পোরেসন (দি আই সী জি সী)কী মায়োক্তা তৌবা ৱাকৎশিং**
দি আই সী জি সীগী মায়োক্তা ৱাকৎনবগীদমক মীয়াম্না মখোয়গী ৱাকৎশিং অদু মখাগী এদ্রেস/ঈ-মেল আইদি অসিদা থাংগৎপা য়াই :
**দিপোজিট ইন্সুরেন্স এন্দ ক্রেদিট গরেন্টি কোর্পোরেসন (দি আই সী জি সী)**
জেনরেল মেনেজর
দি আই সী জি সী, কমপ্লেন্ট রিদ্রেসেল সেল
আর বি আই বিল্ডিং, অনীশুবা ফ্লোর
ওপোজিট মুম্বাই সেন্ট্রেল রেলৱে ষ্টেসন
মুম্বাই - ৪০০ ০০৮

ৱাকৎলিবা মীওই অদুনা টেলিফোন নম্বর ০২২-২৩০১৯৬৩৩ এক্সটেন্সন নম্বর ৮২০১ নৎত্রগা ঈ-মেল **dicgc@rbi.org.in** গী খুথাংদা শ্রীমতি রিতা সরকার মোরিয়া, জেনরেল মেনেজরদা মহাক্কী ৱাকৎ থাংগৎপসু য়াগনি।

**খঙজিনগদবা :** বি ও স্কিম, ২০০৬ নৎত্রগা এন বি এফ সী-ও স্কিম, ২০১৮ নৎত্রগা ও এস দি টি ২০১৯ নৎত্রগা সী ই পি সীগী মখাদা ৱাকৎ থাংগৎনবগী মতাংদদি ৱাকৎকদৌরিবা মীওই অদুনা অহানবদা মহাক্কী পেন্দবদু য়েংশিনহন্নবগীদমক্তা বেঙ্ক/এন বি এফ সী/সিষ্টেম পার্টিসিপেন্ট অদুগী ব্রঞ্চতা ৱাকৎকদবনি। মরী লৈনবা ওম্বুদসমেন স্কিমশিংগী ক্লোজ ৮ দা পল্লিবা সর্ভিসকা মরী লৈননা বেঙ্ক/এন বি এফ সী/সিষ্টেম পার্টিসিপেন্টশিংগী মায়োক্তা লৈরিবা পেন্দবশিং নুমিৎ ৩০ গী মনুংদা য়েংশিন্দ্রবদি নৎত্রগা ৱাকৎলিবা মীওই অদুনা মরী লৈনবা বেঙ্ক/এন বি এফ সী/সিষ্টেম পার্টিসিপেন্টনা পীরকপা পাউখুমদা পেন্দ্রবদি মহাক্লা বেঙ্ক/এন বি এফ সী/সিষ্টেম পার্টিসিপেন্ট অদুনা পীরকখিবা পাউখুম ফংখিবা চহী ১ গী মনুংদা মতম অমদা হেক্তা মরী লৈনবা এম্বুদসমেন্তা ৱাকৎপা য়াগনি নৎত্রগা পাউখুম ফংখিদবা ওইরগনা বেঙ্ক/এন বি এফ সী/সিষ্টেম পার্টিসিপেন্টতা খঙহনখিবা তারিক্তগী পারগা চহী ১ গা থা ১ গী মনুংদা মতম অমদা হেক্তা ৱাকৎপা য়াগনি।

**ওমবুদসমেনকী ৱারেপকী মায়োক্তা আপিল তৌবা :**
বেঙ্কিং এমবুদসমেন/এন বি এফ সী ওমবুদসমেন/দিজিটেল ট্রানজেক্সনশিংগী এমবুদসমেনকী ৱারেপকী মায়োক্তা **https://www.rbi.org.in>>Lodge a Complaint>>File and Appeal** গী **খুথাংদা ওনলাইনদা সী এম এসতা আপিল ফাইল তৌবা য়াই** নৎত্রগা ৱাকৎ অদু মরী লৈনবা স্কিমশিংগী আপিল তৌবা য়াবা ক্লোসশিংগী মখাদ ক্লোস তৌরবা ওইরবদি মরী লৈনবা এমবুদসমেনগী ৱারেপ খঙহল্লকখিবা নুমিত্তগী পারগা **নুমিৎ ৩০ নিগী** মনুংদা **অপ্পিলেট ওথোরিটি, রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, কঞ্জুমর এদ্যুকেসন এন্দ প্রোটেক্সন দিপার্টমেন্ট, সেন্ট্রেল ওফিস, ফর্ষ্ট ফ্লোর, অমর বিল্ডিং, সার পি এম রোদ, ফোর্ট, মুম্বাই ৪০০ ০০১ দা** থাবা য়াগনি।

**খঙজিনগদবা : ৱাকৎলিবা মীওইনা মহাক্কী মিং, এদ্রেস অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ৱাকৎ অদুদা য়াওহনগদবনি।**

HL-B/5602/11